**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা ৫ দা থি হুন্ববগী থবক চথবদা নোংমৈ ৩২৮ য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমলে।

২) নৌনা কোভিদ পোজিতিভ ওইবা মীওই অহুম থেংনখিবগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ পোজিতিভ ওইবা মীগী মশিং পুন্না ৮ শুরে।

৩) মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা ঙসি মণিপুরদসু মালেমগী ঈ দান তৌবগী পালন থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

৪) লৈবাক অসিগী ত্রাইবেলশিংবু চাওখৎহন্নবগী খ্বাইদগী চাউবা কেম্পেন- ধরতি অভা জন বাগিদারি অভিয়ান হয়েংদগী হৌরগনি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রিগী নুমিৎ মঙানিগী সাইপ্রস, কেনাডা অমসুং ক্রোয়েসিয়াগী খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিস অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা ৫ গী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্ববগী থবক চথবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমলে। খুৎলায়শিং অদুগী

মনুংদা এস.এল.আর ১৫১, ইন্সাস রাইফল ৬৫, রাইফল ৭৩, করবাইন ৫, পিষ্টোল ৬ অমদি নোংমৈ মরু য়াওনা য়ান্নবা খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে হায়রি।

অপুনবা কাংবু অসিনা চথুখিবা ওপরেসন অসিগী মতাংদা পাউমীশিং ৱা ঙাংলদুনা মণিপুরগী এ.দি.জি.পি লারি দোর্জি লাতুনা হায়- অসিগুম্বা ওপরেসন অসিনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা শান্তি হল্লিহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

কোভিদ (এল) ঃ রাজ্য অসিদা ঙসি নৌনা কোভিদ পোজিতিভ ওইবা মীওই অহুম থেংনখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ পোজিতিভ ওইবা মীগী মশিং পুন্না ৮ শুরে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী ইন্তিগ্রেতেদ দিজিজ সার্ভিলেন্স প্রোগ্রাম (আই.দি.এস.পি)গী চেরোল অমনা হায়- ঙসি ইম্ফাল ইষ্টতা মীওই অনি অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতা মীওই অমা নৌনা কোভিদ পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা ঙসি মীওই অনি টেষ্ট তৌবদা মখোয় অনিমক পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদনা মীওই ১৩ টেষ্ট তৌবদা মীওই অমা পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবনি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিদা কোভিদ কেস হেনগৎলকপা অসিগা মরী লৈননা সরকারগী মরী লৈনবা বিভাগশিংগী মাইকৈদগী আই.দি.পিশিংনা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপীনবা এম.এল.এ- খুমুকচম জয়কিসন্না আপীল তৌরি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগা রিছার্স এন্দ ইনফোর্মেসন সার্ভিস (আই.আর.এস) নিউ দিল্লিগা অনিরকসুবা য়ান্ন-ৱারোল অমা থা অসিগী ৩ দা সহি তৌনখ্রে। য়ান্ন-ৱারোল অসি নিউ দিল্লিদা আই.আর.এসনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মালেম থাক্কী মীফম অমদা সহি তৌনখিবনি। মসিগা লোয়ননা

মণিপুর য়ুনিভর্সিতি অসি আই.আর.এসকী পুন্না থবক তৌমিন্নবা ভারতকী য়ুনিভর্সিতি ২১ গী মনুংদা চল্লে।

হোম গার্দ (এল)ঃ  মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন অমসুং হোম গার্দ বত্তাল্লিয়নশিংগী কম্মান্দরশিংনা শিন্দুনা ঐখোয়গী ফন্দামেন্টেল অমসুং লিগেল রাইটশিং খঙজিনবা হায়বসিদা রাজ্য অসিদা তাঙ্কক নাইনা চখুরকখিবা হোম গার্দ বত্তাল্লিয়নশিংগী মীফম ঙসি লোইশিনখ্রে।

মীফম অসি লোইশিনগী থৌরম বিষ্ণুপুর জিলাগী বিষ্ণুপুর কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখি। এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট অমসুং বত্তাল্লিয়ন কম্মান্দরশিং অমদি হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ অহুমসু লৌখি। মদুগী মনুংদা হোম গার্দশিংগী পায়খৎফম থোকপা য়াইফ থৌরাংশিং লৌখৎপা, হোম গার্দকী তোঙানবা কম্মান্দেন্ট জেনেরেল অমা হাপ্পা, প্রমোসনগী গাইদলাইন শেম্বা, রেসন মনি পীবনচিংবা য়াওরি।

তমেংলোং (এল)ঃ  তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৭ ফাওবা চখুগদবা ওপন ত্রেদ ফিয়ার এক্সপো ঙসিদগী হৌখ্রে। নোর্থ ইষ্ট ত্রেদ ফিয়ার সোসাইতি, কোহিমা অমসুং চারমরম সেগমেন্ট ভোইসনা শিন্দুনা পাঙথোকপা এক্সপো অসিদা ভারতকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী পুন্না ষ্টোল ১৬ হাংলি।

ডে (এল)ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি মালেমগী ঈ দান তৌবগী পালন থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী হীরমনা-ঈ দান তৌবা, আশা পীবা অমদি পুন্না পুন্সি কন্নমীন্নবা হায়বসিনি।

থৌরম অসি জেনিমস ইম্ফালগী ব্লড সেন্তরনা শিন্দুনা হোস্পিতাল অসিদা পাঙথোকখি।

দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন রিমস ইম্ফালনা শিনদুনা মালেমগী ঈ দান তৌবা নুমিৎকী পালন থৌরম হোস্পিতাল অসিগী ও.পি.দিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ভোলুন্টরি ব্লড দোন্নর ওর্গনাইজেসনশিংদা ইকায় খুমবা উৎখি।

মরক অসিদা, হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা মতম খরা থবক লেপ্পুরবা জেনিমস হোস্পিতাল থা অসিগী ১৬ তগী মহৌশাগুম অনা লায়েংগী থবক অমদি মহৈরোইশিংগী ক্লাস হৌরগনি হায়রি।

অভিয়ান(এল) ঃ লৈবাক অসিগী ট্রাইবেল মীয়াম্বু চাওখৎহন্নবগীদমক পায়খৎলিবা খ্বাইদগী চাউবা কেম্পেন ওইরিবা ধরতি অভা জন বাগিদারি অভিয়ান হয়েংদগী লৈবাক শিনবা থুংবদা হৌরগনি। কেম্পেন অসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু পাঙথোক্কনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা ক্ষেত্রিগাউ সি.দি ব্লোক্কী কৈখু কবুই খুলদা নুমিৎ ১৫ নি চুপনা এৱারনেস এন্দ বেনিফিট সেচুরেসন কেম্প পাঙথোক্কনি।

নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-সরতচন্দ্র অরোজ্না থোকপা চেরোল অমদা হায়- কেন্দ্র সরকারগী মখাদা পায়খৎপা ধরতি অবা জন জাতিয়া গ্রাম উতকর্সি অভিয়ান (দাসগুৱা) স্কিমগী মখাদা পায়খৎপা কেম্পেইন অসিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৩০ গী খুঙ্গং লিশিং ৬৩,৮৪৩ গী ট্রাইবেল মীওই কোতি মঙা হেনবদা কান্নবা ফংহনগনি। কেম্পেইন অসিনা ট্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎপদা নত্তনা হকশেল, মহৈ মশিং তম্বা অমসুং পুন্সি মহিংদা চাউনা অওনবা পুরক্কনি।

জিরিবাম জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইনর্ফোমেসন ওফিসারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-কেম্পেইন অসি জিলা অসিগী খুঙ্গং অহুম-জাইরোলপোকপী, সোতোবেক্রা অমসুং ভুতাংখালভিদা হয়েংদগী হৌদুনা থা অসিগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কনি। দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা

বিভাগশিংগা খুৎশমদনা কেম্পেইন অসিগী খুদোংচাবা কয়া হায়রিবা খুঙ্গং অহুম অসিদা ফংহন্নবা হোৎনগনি।

তেংনৌপল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোলদা হায়- কেম্পেইন অসি থা অসিগী ১৬ তা দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা অয়ুক পুং ১১ মখায়দা হৌদোক্কনি। বিনিফিসরিশিংনা রেসন কার্ড, পি.এম.জে.ৱাই, দোমিসাইল, পি.এম. কিষান্নচিংবা মরী লৈনবা চে চাংশিং পুরক্কুনা কেম্পেইন অসিদা শরুক য়াবীনবসু চেরোল অদুনা হায়রি।

ৱাকসোপ (এল)ঃনোর্থ ইষ্টর্ন রিজনেল লেঙ্গুএজ সেন্তর গুৱাহাতিনা শিন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী চথরকপা মীতৈ ময়েক্তা মণিপুরী কোর্স মেটরিয়েলশিং শেম শাবগী ৱার্কসোপ ঙসি গুৱাহাতিদা লোইশিনখ্রে। ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা ৱার্কসোপ লোইশিনবগী থৌরমদা ৱার্কসোপ অদুগী কোওর্দিনেতর ডাঃ শলাম ব্রোজেন সিংহনা হায়- ৱার্কসোপ অদুনা পান্দম থমখিবা ষ্ট্রকচর লেসনশিং মপুং ফানা লোইশিনবা ঙমখি। মসিগা লোয়ননা লংদাই অমসুং মঙাল কৌবা ইন্তরমেদিয়েট অমসুং এদভান্স কোর্স রিদর অনি মীতৈ ময়েক্তা ওন্থোকপা ঙমখি। ৱার্কসোপ অদুদা অখণ্ড অহে কয়ানা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

এময়ু-২ (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ টিচরস ইজ্‌কেসন্না শিনবা ৯ শুবা লিটরেচর, কলচরেল অমসুং স্পোর্টস ৱিক ২০২৫ ঙসিদগী য়ুনিভর্সিতি অসিগী কেম্পস হোৎখ্রে। নুমিৎ হুমি চথ্বগদবা থৌরম অদুগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা সংস্কৃতি, সাহিত্য অমদি শান্ন-খোৎনবগী লমদা মহৈরোইশিংনা অথোই অহেন তান্নগনি।

বেক টু স্কুল (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী মখাদা কাইফদ্রবা লন ৱিমেন মল্টিপরপজ কোওপরেতিভ সোসাইতি লিমিতেদ খুন্দ্রকপম ক্লষ্টর অমদি লোইজিং ঙানবী বি.এল.এফ লৈতানপোকপী অনিনা

খুৎশমদুনা লৈতানপোকপীদা বেক টু স্কুলগী কেম্পেন ঙসি মায় পাকা পাঙথোকখ্রে।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ মঙানিগী সাইপ্রস, কেনাডা অমসুং ক্রোয়েসিয়াগী খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি।

মহাক্কী খোঙচৎকী অহানবদা শ্রী মোদিনা হয়েং সাইপ্রসতা চৎকনি। লৈবাক অদুগী রাষ্ট্রপতি নিকোস ক্রিষ্টোদৌলাইটসনা বার্তন তৌরকপদগী শ্রী মোদি লৈবাক অদুদা চৎকদবনি। মসি হৌখিবা চহি ২০ লোম হেনবা অসিদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা সাইপ্রসতা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি। লৈবাক অদুদা শ্রী মোদিনা রাষ্ট্রপতি নিকোসকা তোঙান তোঙানবা হিরমদা ৱারী শান্নগনি অমসুং লল্লোন ঈতিক্কী লুচিংবশিংদসু ৱা ঙাংগনি।

থা অসিগী ১৬ তা শ্রী মোদিনা কানাডাগী কনানাস্কিসতা থুংগনি অমসুং জি-সভেনগী অৱাংবা থাক্কী মীফমদা শরুক য়াগনি। প্রধান মন্ত্রিনা জি-সভেনগী অৱাংবা থাক্কী মীফমদা থংনা থংননা শরুক য়াবা অসি হন্দক্কী অসিনা ৬ লক শুবনি। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা জি-সভেন লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগা লোয়ননা মখোয় মখোয়গী মোত ফোংদোকগনি।

মহাক্কী খোঙচৎকী অরোইবদা থা অসিগী ১৮ দা শ্রী মোদিনা ক্রোয়েসিয়াদা চৎকনি। মসি ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা ক্রোয়েসিয়াদা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি।

দিজিসিএ ঃ কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি কে. রাম মোহন নাইদুনা হায়রি- দাইরেক্তোরেট জেনেরেল ওফ সিভিল এভিএসন (দি.জি.সি.এ)না ইন্দিয়ান এয়ারক্রাফট ফ্লিটতা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা বোইং ৭৮৭ প্লেন ৩৪ বু মখা তানা য়েংশিনখিনবা হুকুম তৌখ্রে। মহাকা হায়- এরোপ্লেনশিং অসিগী মনুংদা ৮ দি হান্ননা য়েংশিনবা লোইখ্রে।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- অহমেদবাদকী প্লেন কায়খিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা তোঙান তোঙানবা লমদা খঙ

হৈরবা মীওইশিং য়াওবা অৱাংবা থাক্কী কমিতি অমা শেম্লে। মহাকা হায়- কেন্দ্রগী হোম সেক্রেতরিনা কমিতি অদুগী চেয়ারমেন ওইগনি।

মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- প্লেন অদু কায়খিবা হেক মতুংদা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা অখন্ননা শেমখিবা এয়ারক্রাফট এক্সিদেন্ট ইনভেষ্টিগেসন ব্যুরোনা থিজিনবগী থবক চত্থরি। মহাকা হায়- ব্যুরো অসিনা এরোপ্লেন অদুগী বেক বোক্স ফংবা ঙমখ্রে। মসিনা এরোপ্লেন অদু কায়বগী মরম থিগৎপদা চাউনা মতেং ওইরগনি। শ্রী নাইদুনা হায়- মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট পুমমক্কী রেস্পোন্স টিমসু এরোপ্লেন মৈ চাক্লকখিবা অদু মুত্থৎনবা অমদি হকচাংশিং অদু হোস্পিতালদা পুনবা হোৎনখি। লৈখিদ্রবা হকচাংশিং অদু মশক খঙদোকবা দি.এন.এ টেষ্ট তৌবগী থবকসু চত্থরি।

মরক অসিদা, অহমেদবাদকী প্লেন কায়খিবগী থৌদোক অদুদা শিখিবা মীগী মশিং ২৫৪ শুখ্রে। এরোপ্লেন অদুদা ভারত মচা ১৬৯, বৃটিশ মচা ৫৩, পোর্টুগিজ ৭, কানাডা মচা ১ অমসুং ক্রু মেম্বর ১২ য়াওনা পুন্না মীওই ২৪২ তোংখিবনি। ভারত্তগী হৌখিবা বৃটিশ মচা অমখক্তি থৌদোক অদুদা হিংহৌখি।

ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসনগী গুজরাত চেপ্তরগী প্রসিদেন্ট নেহুল সাহনা হায়- মেদিকেল তম্লিবা মহৈরোই মরি অমসুং ডোক্তর ১ গী নুপীসু থৌদোক অদুদা শিখি হায়বা খঙলে। এরোপ্লেন কায়বগী থৌদোক অদুদা শিখিবা মনাক নকপা মফমশিংদা লৈরম্বা মীওই ৮ সু মশক খঙদোকপা ঙমখ্রে অমসুং মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংশিংদা শিন্নখ্রে। দি.এন.এ টেষ্ট তৌদুনা মশক খঙদোকপদা মতেং ওইনবগীদমক লৈখিদ্রবশিংগী মরী মতা মীওই ২১৯ গী ব্লড সেম্পলসু লৌখৎখ্রে। হৌজিক থৌদোক অদুদা শোকখিবা মীওই ৩১ সিভিল হোস্পিতালদা লায়েংলি। থৌদোক অদু থোকখিবা চপ চাবা মরম খঙদোকবা থিজিনবগী থবক কন্না চত্থরি।

নিট ঃনেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা লৌবা নেসনেল ইলিজিবিলিতি কম এন্ট্রান্স টেষ্ট নিট য়ু.জি ২০২৫ গী পরিক্ষাগী ফল লাউথোক্লে । মমাং থাগী ৪ দা লৈবাক অসিগী সহর ৫৫২ অমসুং মপান লৈবাক্কী সহর ১৪ দা পুন্না মহৈরোই

লাখ ২২ হেনবনা পরিক্ষা থাখিবনি। পরিক্ষা অসিগী ফল ওফিসিয়েল ৱেব সাইটতা য়েংবা য়াগনি। পরিক্ষা অসিদা রাজস্থানগী মহেশ কুমারনা মকোক, অদুগা মধ্য প্রদেশকী উতকারস অৱাধিয়া অমসুং মহারাষ্ট্রগী কৃসঙ জোসিনা মথং শিৎনা অনিসুবা অমসুং অহুমসুবা তাখি।

আর্মি ঃ উত্তরাখন্দগী দেহ্রাদুনদা লৈবা ইন্দিয়ান মিলিটরি একাদমিদা ঙসি লান্মীগী পাসিং আউট পেরেদ অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা অনৌবা নহা ওইরিবা ওফিসার ৪১৯ তরামা ওকখ্রে। ঐতিহাসিক ওইরবা একাদমিগী চেটৱোদ বিল্ডিংদা জেন্টলমেন কেদেট ৪৫১ গী কম্মিসন ওফিসারগী ত্রেনিং মপুং ফানা লোইশিনখি। মখোয়গী মনুংদা কেদেট ৩২ দি মীরমদগীনি। মখোয় মশা মশাগী মরমদা হনখ্রগনি। মখোয়গী ত্রেনিংগী মতমদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবগীদমক এন্নি নেহ্রাদা লেমজনিঙাই ওইরবা সোর্দ ওফ ওর্নর পীখি। অহানবা পোজিসন তাখিবা রোনিত রঞ্জন নায়কতা গোল্ড মেদলসু পীখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

বোদি বিল্ডিং ঃ ভুতানগী তিম্ফুদা থা অসিগী ১১ দগী হৌদুনা চত্থরকখিবা ১৫ শুবা সাউথ এসিয়ান বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা কিলোগ্রাম ৮০ গী কেটাগোরিদা মণিপুরগী আরনোল্ড কোন্থৌজমনা অহুমসুবা মফম কনবা ঙমদুনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংলে।

ফুটবোল ঃ লেট এল. সনা, ইঙম মেমোরিয়েল ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টি.য়ু.সি থোংজাউনা ৱাইখোং এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা হৈবোং মখোঙ এফ.সিনা লাংমৈদোংবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখি।

কিক্রেট ঃ   সাউথ আফ্রিকানা চহি ২৭ কী মনুংদা অহানবা ওইনা আই.সি.সি. টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। লন্দনগী লোর্দস ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ গী ফাইনেলদা সাউথ আফ্রিকানা ওষ্ট্রেলিয়াবু মায়থিবা পীদুনা টাইটল অসি লৌবা ঙমখিবনি।

------